# মণিপুরনা ইন্দিয়াদা তিল্লবা মতুংদা ওইরম্বা লৈঙাক -৪

- উশম ধনঞ্জয় সিংহ -

**মণিপুর** কম্যুনিষ্ট কন্সপিরেসি কেস অসি হিজম ইরাবত অমসুং অতোপ্পা নিফুহুমদোইগী মথক্তা পানবনি। অদুবু অতৈদি ফাবা ঙমদবদগী কমরেদ তরাতরেৎকী মথক্তা বিচার চত্থখি।

মিয়াদ তারবা কমরেদশিং মণিপুর মপানগী জেলশিং নোংচুপ বেঙ্গলগী মেদিনিপুর, জলপাইগুরি, আলিপুরনচিংবা জেলশিংদা চাইথোক্লদুনা থমখি। কুমজা ১৯৫২গী এপ্রিল হৌগৎলকপদা মেদিনিপুর সেন্ত্রেল জেল মনুংদা নহা ওইরিবা কমরেদ রাবৈ লৈখিদে। অসুম্না চহী কয়া জেলদা খাঙলুরবা মতুং কুমজা ১৯৫৫দগী ১৯৫৮ ফাওবগী মনুংদা মথং মথং থাদোরকখি। কমরেদ রামসিং অমসুং খোমৈনা খ্বাইদগী ইকোন কোন্না থাদোরকখি। অতৈ হান্না সেক্সন অহুমদা চহী তরেৎ তরেৎ পীবদা অনীনা কনকরেন্ট চত্তুনা চহী তরামরি ওইরম্বা অদু অহুম্মক কনকরেন্ট চত্তুনা চহী তরেৎ তরেৎতা হন্থখিবদগী ঙনখৎনা থাদোক্লকখি।

ঙাঙোম মোহেন্দ্রো সিংহ কম্যুনিষ্ট পার্টি ওফ ইন্দিয়াগী মীরেপ ওইদুনা মেম্বর ওফ পার্লিয়ামেন্ট অমা ওইখি।

অনৌবা ইন্দিয়ন কন্সটিট্যুসন চৎনরবা মতুংদা ইহান হান্না মণিপুর য়াওনা ইন্দিয়া শিনবা থুংনা জন্যুৱারী ১৯৫২দা জেনরেল ইলেক্সন পাঙথোকখি। মেম্বর ওফ পার্লিয়ামেন্ট অনী অমনা ইন্নর মণিপুর অমসুং আউটর মণিপুর হায়না খনখি। অদুগা কন্সটিট্যুএন্সি ৩০দগী ইলেক্টোরেল কলেজগী মেম্বর ৩০ খনখি। খনখিবা মীওইশিং অদুদি :

ইন্নর মণিপুর পার্লিয়ামেন্টরি কন্সটিটুএন্সিদগী শ্রী লাইশ্রম জুগেশ্বর সিংহ অমসুং আউটর মণিপুর পার্লিয়ামেন্টরি কন্সটিট্যুএন্সিদগী শ্রী রিশাং কাখি। অদুগা ইলেক্টোরেল কোলেজ ইন মণিপুরগী মেম্বরশিংদি

| Sl. No. | Name of Candidate | Name of Constituency |
|---|---|---|
| 1. | Srimati Binodini Devi | Khurai |
| 2. | Shri Laishram Achou Singh | Wangkhei-Kongba |
| 3. | Shri Takhellambam Ibotomba Singh | Irilbung-Yairipok Topchingtha |
| 4. | Shri Tomba Mia | Lamlai-Keirao |
| 5. | Shri Angousana Singh | Sagolmang |
| 6. | Shri Khwairakpam Chowba Singh | Sekmai-Lamsang |
| 7. | Shri Soram Chatradhari Singh | Salam-Khumbong-Konthoujam |
| 8. | Shri Hidangmayum Dwijamani Sarma | Uripok-Lalambung-Thangmeiband |
| 9. | Shri Salam Tombi Singh | Sagolband |
| 10. | Shri Yumnam Megho Singh | Keishamthong |
| 11. | Shri Maipaksana Singh | Singjamei |
| 12. | Shri Tomchou Singh | Wangoi-Mayang Imphal |
| 13. | Shri Girimohon Singh | Nambol-Keinou |
| 14. | Shri Koireng Singh | Bishenpur-Moirang |
| 15. | Shri Ningthoujam Thonglen Singh | Kumbi-Thanga |
| 16. | Shri Elangbam Nadi Singh | Hiyanglam Sugnu |
| 17. | Shri Pukhrambam Tomchou Singh | Kakching-Wangjing |
| 18. | Shri Sorokhaibam Chowrajit Singh | Charangpat-Khomjom |
| 19. | Shri Chowyaima Singh | Thoubal-Chandrakhong |
| 20. | Shri Alimuddin | Lilong |
| 21. | Shri Atnam Anal | Tengnoupal |
| 22. | Shri Zarrem | Phaisat |
| 23. | Shri Suisa | Ukhrul |
| 24. | Shri Daso Thoiso | Mao-East |
| 25. | Shri Hepuni Kaikho | Mao-West |
| 26. | Shri Athuibou | Aimol |
| 27. | Shri Keiben | Tamenglong |
| 28. | Shri Sinam Bijoy Singh | Jiri |
| 29. | Shri Khuma | Thanlon |
| 30. | Shri Sumkhohen | Churachandpur |

শ্রী লাইশ্রম জুগেশ্বর সিংহ অসি কোংগ্রেস মীরেপনি, অদুগা শ্রী রিশাং অসি সোসিয়েলিষ্ট পার্টিগীনি। ইলেক্তোরেল কোলেজগী মীখলসিদা কোংগ্রেস পার্টিনা সিট ১০, সোসিলিষ্টনা অমা, কম্যুনিষ্টনা অনী অমসুং ইন্দিপেন্দেন্টনা ১৭ ফংখি।

শ্রী রামেশ্বর প্রসাদ ভারগবা আই সী এসনা কুমজা ১৯৫২গী সেপ্তেম্বর ২২দগী মণিপুরগী চীফ কম্মিস্নর ওইখি।

পন্দিট নেহরুনা কোইরেঙ্গৈ এয়রপোর্টতা দাকোটা প্লেন অমা তোংলগা নুংথিল পুং ১.২৫ (তাং ২৩/১০/১৯৫২) দা থুংলখি। Blackish Sherwani অমা অঙৌবা পায়জমা কোক্তা গান্ধী তুপী অমসুং চৈ মচা অমা পাই। প্লেন্দগী কুমথরকপদা তিল্লিবা মীয়ামদু খূৎ লোন্নদুনা ওকখি। মরিশুবা অসাম রাইফলসনা পীবা গার্দ ওফ ওনর অদু ওকখি। অদুদগী কোংগ্রেস ভোলুন্টিয়রশিংনা শ্রী তোম্বা শর্মাগী কম্মান্দদা মাবু 'পন্দিট নেহরু জিন্দাবাদ' হায়না লাউদুনা ওকখি। কোংগ্রেস ভোলুন্টিয়রস মরক্তা ফনেক-মপান নাইবা শেৎপা নুপীমচা ময়াম য়াওরম্মী। মখোয় অঙৌবা ফী ইল্লি, গান্ধী তুপী উপ্পী। মহাক্না মখোয়বু উবদা য়াম্না পেঞ্জবগুম তৌখি। চীফ কম্মিস্নর শ্রী R. B. Bhangarva না মণিপুর লৈঙাক্কী ওফিসরশিং অদু মশক তাক্লম্মী। নেহরুবু এয়রপোর্টতা ওকপদা য়াওবা ওফিসরশিংগী মনুংদা শ্রী টি কিপগেন, শ্রী এস গৌরহরি সিংহ অমসুং কে গৌরো সিংহ য়াওরম্মী।

প্রাইম মিনষ্টিরনা এয়রপোর্টতগী চীফ কম্মিস্নরগী বঙ্গলা তম্না গাড়ীনা লাকপদা মহাকপু মীয়াম্না শরক্কী নাকল অনীদা লেপ্তুনা হরাউ তয়াম্না ওক্লম্মী।

নুংথিল পুং ৪.২০দা পোলোগ্রাউন্দদা মিটিং অমদা ৱা ঙাঙখি। মহাক্না হায়খি: "I have been desiring to visit Manipur for a very long time. This is because it is a renowned place in India. The Manipuri dance is famous throughout the world. Here the women do much of the work including the outdoor work and men are relived to a great extent. I come here only for one day. However during this one day I will try to know many things about Manipur.

মিটিং অদু লোইরগা জোনষ্টোন হায় স্কুলগী Premises দা রিসেপ্টসন কম্মিটি অমসুং ইনভাইটিজগা লোয়ননা চা থকমিন্নরম্মী। শ্রীমতি ইন্দিরা গান্ধীদি মতমদুদা অর্য়ান থিএটর হোলদা নুপীশিংগা মিটিং অমা তৌরম্মী। পুং ৫ তাবদা নেহরুনা কোংগ্রেস ৱার্করশিংগা মিটিং তৌরম্মী। মণিপুর কোংগ্রেস কম্মিটিনা মেমোরেন্দম অমা প্রাইম মিনিষ্টরদা পীশিল্লম্মী। মেমোরেন্দম অদুদা য়াওরিবা মরু ওইবশিংদি ১) এদভাইজরি কম্মিটি লিংখৎপা ২) রেসপোন্সিবল গভর্ণমেন্ট অমা লীংখৎপা ৩) মণিপুরদা চেঙ তাঙবা থোক্লিবসি দিপার্টমেন্টেল ইনক্বারি কম্মিটি অমনা থিগৎপা ৪) চেঙ তাঙবা অসি খুদক্তা কোক্লবা হোৎনবা ৫) লান্দা মাঙ তাকখিবগী ক্ষেতিপুরোন পীবা ৬) ফাইভ ইয়র প্লান্দা মণিপুরগী শেল থুমগী ফীভম ফগৎনবা লোঙ টর্ম স্কিম পায়খৎপা ৭) লোক্তাক্কী ঈশিংনা চহী খুদিং ঈচাউ থোকহনবা থিংনবা থৌরাং ৮) ইম্ফাল অমসুং ইরিল তুরেলদা দাম শাবা।

নুংথিলদা চীফ কম্মিস্নরগী বঙ্গলাদা তৌবা মণিপুরী হেন্দলুম অমসুং হেন্দিক্রাফ্ট প্রদক্টকী এগজিবিসন অদু য়েংলম্মী। অতোপ্পা মফম অমদা Mr. Haokholet অমসুং Mr. Teba Killong না লুচিংদুনা ত্রাইবেল চীফ ২০০ রোম্না মাবু ওকখি।

নুংথিল পুং ৭ তাবদা চীফ কম্মিস্নরগী বঙ্গলাদা প্রেস কনফরেন্স অমা পাঙথোক্লম্মী। কোংগ্রেস ৱার্করশিং অদুদা ৱা ঙাঙদ্রিঙৈদা মৈতৈগী ওল্ড মেনুস্ক্রিপ্টস অদু উৎলম্মী। মৈতৈগী ওল্ড স্ক্রিপ্ট অদু উবদা মা য়াম্না excite ওইখি। মহাক্না রেসপোন্সিবল গভর্ণমেন্ট অমা থুনা লীংখৎলগনি হায়খি।

অহিংদা মহারাজ বোধচন্দ্র সিংহনা চাকলেন অমা লাংখি। বোধচন্দ্র সিংহনা মাবু তরাম্না ওকখি।

ৱেলকম এদ্রেস লোইরবদা মণিপুরী রাশ জগোয় উৎখি। তম্ফাস্নানা কৃষ্ণ শাখি। নেহরুজী মণিপুরী জগোয়সি উবদা য়াম্না পেনখি।

এঞ্জাং মথেল ১০৮ লাংদুনা চাকলেন অদু পীজখি। চাকলুক্তা চাক্তুম ময়ায়দা তুম্পক তুম্না থম্লগা দোনা ১০৮দা এঞ্জাং মথেল ১০৮ হাপ্পদু উবদা ঙকখি। সনসম গৌরহরি অমসুং ৱাইখোম চাউবা সিংহদি এঞ্জাং মথেলশিং অদু তাকপদা অৱাবা অমা ওইখি। ব্রম্মনশিংদুনা শেৎলিবা ফিজেৎ, শীল্লিবা মওং অদু উবদা য়াম্না পেনখি।

কুমজা ১৯৫২গী ওক্টোবর ২৪, ইরাই নুমিৎতা পণ্ডিট নেহরুনা জোনষ্টোন স্কুলদা পুন্দুনা লৈরিবা মহৈরোয় ৩০০০ মুক্তা ৱা ঙাঙখি। মহাক্না হায়খি, "The students are the future pillars of India. The students should carry out their duties with discipline, otherwise our conuntry will never be able to make progress."

কুমজা ১৯৫২গী ওক্টোবর ২৪গী অয়ূক্তা তোঙান তোঙানবা ত্রাইবশিংগী অপূনবা মীওই ১০০০ মুক্না চীফ কম্মিস্নরগী বঙ্গলোদা প্রাইম মিনিষ্টরবু উনবা লাকখি। মখোয়না প্রাইম মিনিষ্টরদা মেমোরেন্দম অমা পীশিল্লম্মী। মখোয়না এদভাইজরি কাউন্সিল অসিবু মুত্থৎনবা অমসুং লেজিসলেটিভ এসেমব্লি অমা লীংখৎপীনবা হায়জরম্মী। অদুগী মতুংদা প্রাইম মিনিষ্টরনা মাওগীদমক ইম্ফাল থাদোকখি। কংলাতোংবীদা মীওই ১০০০ রোম্না মহাকপু ওক্লম্মী। মখোয়না মখোয়গী ফুরুপকী ওইবা ফী অমা পীরম্মী। পণ্ডিট নেহরুনা মখোয়গী লুচিংবা অদুদা ফীঙাং অমা পীরম্মী অমসুং অঙাংশিংদা শান্নপোৎ য়েনবীরম্মী।

মরামদা মীওই ২৫০০ রোম্না মাবু ওক্লম্মী। মদুদসু মহাক্না চীংমী লুচিংবশিং অদুদা ফীঙাং অমসুং অঙাংশিংদা শান্নপোৎ য়েল্লম্মী। চীংমীশিংদুনা তা অমা অমসুং মখোয়গী ফুরুপকী ওইবা ফী অমা পীরম্মী।

তদুবীগী মীয়াম্নসু গেট শাদুনা মাবু ওক্লম্মী। ত্রাইবেল মীওই ৫০০০ রোম মিটিং মমদুদা পুল্লম্মী। "Tupime" হায়বা ত্রেদিসনেল ত্রাইবেল নেকলেস অমা শীবিরম্মী। অদুগা লোয়ননা ত্রেদিসনেল ওইবা সোল অমা অমসুং অশাংবা লৈতেংনবা তা অমা পীরম্মী।

অদুগী মতুংদা মাওদা মাবু ওক্লম্মী, মহাক্না মিটিং অদুদা অসুম্না হায়খি, "Before five years, the Maharajas and Rajas ruled over the people in India, but now the government of the people are run by elected representatives of the people. There is the possibility of a hill boy becoming the Prime Minister one day or the other". মাওদগী ইম্ফালদা হল্লক্লম্মী। অদুদগী নুংথিল পুং ৩.৫৫দা অগরটালাগীদমক্তা এরোপ্লেন তোংদুনা ইম্ফাল থাদোকখি।

## এদিটরদা থারকপা ৱাকৎ, মীয়ামগী খোল্লাউ, পাউদম অমসুং অতৈ-অতৈ

### লৈঙাক্কী থৌজাল মীৎয়েং চিংশিঞ্জরি

*ইকায়খুম্নজরিবা এডিটর,*

**মণিপুরগী** য়েলহৌঙৈদা নিংথৌ পাল্লিঙৈগী মতমদা লৈরম্বা সনা কোনুংগী মনুংদা চীংগী ইচিন-ইনাও খুদিংমক্কী ওইবা নাৎকী অপূনবা হোষ্টেল অমসুং কলচরেল হোল শানবা থৌরাংগী মখাদা মণিপুরগী লুচিং পুরেল ওইবিরিবা ইকায় খুম্নবদা মতিক চারবা চীফ মিনিষ্টর শ্রী নোংথোম্বম বিরেন্না ঙল্লিঙৈ চীংগী ইচিন-ইনাওশিং নুংশি চান্নবগী খুদম ওইনা মীথুংশঙ, নাৎকী ওইবা ঈশৈ জগোয়নচিংবা উৎনবা শঙলেনশিং শানবগী শেনফম কায়থোক্লে হায়না ওল ইন্দিয়া রেদিও ইম্ফালগী খূৎথাংদা লাউথোক্তুনা অথুবা মতমদা যাত্রা হুল্লগনি হায়ববু থাগৎচবা ফোঙদোকচরি। হায়রিবা মীথুংশঙ লোয়ননা নাৎকী ওইবা শঙলেন অসি শাবীবা তারবদি মীয়ামগী খুদোংচাগদবা চঙখোনবা মফম মণিপুরগী নীংশিংনীংঙাই ওইরবা সনা কোনুংগী মৈহৌরোলদগী লৈরক্লবা ৱায়েল পথাপকী ৱায়েলশঙ লৈরিবা রাজদরবার হোল বৃটিশকী মীওইশিংগা অচৌবা মায়োক্লখিবা চীং লেল্লবা মফম হৌজিক্না উত্রা শঙলেন হায়না খঙনরিবা অসিগী মনাক নকপদা শাহঞ্জনীংই।

অসিগুম্বা য়াম্না ইতিহাসিক ওইহৌরগদবা মরু ওইরবা মফম অসিগী চঙফম ওইরিবা খোঙ লম্বী অমখক নত্তনা লৈশিল্লক্ত্রে। কোনুং অমসুং রাজদরবারগী অকোয়বদা লৈরিবা অনৌবা খূৎশেমগী মীওইশিংগী ফজ-ফজরবা ফুৱা দলানশিংগী য়ূমশিংনা কোয়শিনখিদুনা কোনুং অমসুং রাজদরবার কদায়দা লৈ হায়বা ফাওবা খঙনদবগী মশক ওইরে। অখঙবা মীওইশিং খরা নত্তনা। অসিগুম্বা ফজরবা নাৎকী মফমশিং কনবিফম থোকই। লৈঙাক্কী চানবী হৈবা মীৎয়েং মখাদা য়েংশিনবীয়ু হায়না মিদিয়াগী খূৎথাংদা লৈঙাক্কী অহকপা মীৎয়েং চিংশিঞ্জরি। লৈঙাক হায়বা অসিদি মীচম মীয়ামগী মপী-মপা ওইবিরিবনি। পায়খৎনীংবা থবক খুদিংমক তৌগে হায়না চপ য়ুংনা নীংখ্রবদি তৌবা ঙমদবা অমা ফাওবা লৈতে।

খুন্দা লৈতারিবা লন্নাই মীওইশিং অসিগী লৈফম চাফম অতোপ্পা মফম শিনবীদুনা ইতিহাসিক ওইরবা মফম রাজদরবার/উত্রা শঙলেন অসিগী হেন্না মশক থোকপা শক্তম ওইনবা শাবীয়ু হায়না ৱাকৎচরি। অসিগুম্বা ফজরবা ৱাখল্লোন চাওখৎ থৌরাং তৌবিরকপা অসি তুং কোয়না তুংগী মীরোলগীদমক শক শোন্নহৌনবা হৌজিক লৈরিবা উত্রা শঙলেনগী মনাক নক্না শাবীনবা অখঙ অহৈ, অহল-লমন, সনা কোনুংগী ইকায়খুম্নজরবা থৌগায়গী মীওইশিং, উত্রা শঙলেনগী থৌবুরেলশিং লোয়ননা য়াইস্কুল এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সিগী মীওই ওইরিবা ইকায়খুম্নজরবা এম এল এ খ্বাই খিবিক্না পূন্না অমুক্তং মুন্না মমুৎ তানা খন্না নৈনহঞ্জনীংই, ফজবা শক্তম ওইনবা।

ইরমদম পোইরৈ সনা লৈবাক মণিপুরগী অরংবা থৱানমিচাক ওইরিবা সনা কোনুংগী মনাক নক্না লৈজবা মীওই অমা ওইনা মরী লৈনবা লৈঙাক্কী লোইশঙগী মায়কৈদগীসু মরীক চুম্বা শক্তম অমা ওইহৌনবগী মীৎয়েংসু চিংশিঞ্জরি। ঐখোয় অঙাং ওইরিঙৈগী মতমদদি সনা কোনুংগী লমশিং অসি থাঙ্গপাৎনা কোয়শিল্লিবা মফমশিং অসি ইহাং হাংনা লৈরম্বনি (লমহাং ওইনা)। মতম অদু চহী ৬০-৬৫গী মমাঙ ওইরম্বা য়াই। চহী অসিগী মতুংদগী নোংমা নোংমা লন্নাই মীওইশিংগী ওইখিদুনা অহাংবা মফম লৈখিদ্রে। মসি কুমজা ১৯৬১গী সর্ভে রেকোর্দতসু শোয়দনা লৈরমগনি, ইরায় লায়না খঙবা ঙমগনি। মসিগী খুদম অসি মীৎনা উজহৌবা চাউরাকপা ৱাখলগী ইথিলগী শক্তম অদু খরদং পঞ্জবনি, চপ চাবা শক্তমদি মতম অদুগী লৈঙাক্কী রেকোর্দতগী মরীক চুম্না ফংবীগনি।

চপ চাবা হান্না লৈরম্বা অশেংবা শক্তমগী ৱারী ৱাখোঙ পূম্নমক্তি লৈঙাক্না হেন্না থিজিনবীরবদি ফংবীগনি। তরু-তনানবা শক্তমগী মরুওইবা অরিবা তশেং তশেংবা রেকোর্দসু সনা কোনুংদগী ফংগনি খঞ্জে। অতোপ্পা অমনা কোনুংগী অকোয়বদা থাঙ্গপাৎকী ৱাংমদা লৈরিবা মীশিং চহী ৮০গী মথক্কী মীওইশিংদা ৱারী ৱাখোঙ তৌদুনা মতমদুগী শক্তমগী মীৎনা উহৌবা ৱারীদগীসু খঙবা ঙমগনি। হৌজিক হৌজিক ওইদুনা লৈরিবা ফীভম হান্না লৈজরম্বা শক্তম মাঙখিবা অসি মতৌ করম্না ওইখিবনো হায়বা সনা কোনুংগী লম মখৈ লোয়না লৈঙাক্না খঙনা লন্নাই মীওইশিংনা লোইনা ফংখিবনো হায়বদু হঙ্গৎনা অমুক্তা য়েংশিনবীদুনা হেন্না ফজবা মহৌশাগী ফীভমদা শাবীনবগীদমক্তা ইরমদম অসিদা পোকচরুবগী চাউথোকচনীংঙাই ওইনবা লৈঙাক্কী মফমদা নোল্লুক্না ৱাকৎচরি।

"ফজবা ওইহনসি
অনৌবা য়েন্নিং
নাৎকী শক্তম
ঈং তপ্পা ৱাখল্লোন
তুংগী পোইরৈদা
শেম্মসি খুন্নাই।

*অদোমগী - অথোকপম তোম্বা, ৱাংখৈ য়োংলাল লৈরক, ইম্ফাল ইষ্ট*

### মণিপুরগী চীফ মিনিষ্টরবু থাগৎপা ফোঙদোকচরি

*ইকায়খুম্নজরিবা এডিটর,*

**ইন্দিয়াগী** অনৌবা পোলিটিক্সকী য়াওন অমা লাকপদা অনৌবা থৌরাং থৌশিল কয়া শেম্বীবদা মদুগী মমি মণিপুর য়ৌরক্তুনা লৈঙাক অসিগী চুপলি মকোক ওইবিরিবা ইকায়খুম্নজরিবা ইরমদম অসিগী সী এম মীং ওইনা পঞ্জরবদা শ্রী এন বিরেন য়াম্নমক নহা ওইরিবা তুংগী আশা কয়া তৌবা য়ারিবা, মীয়ামগী নুংগী ওইবা ৱাখলবু মমুৎ তানা, মনুং মপান ফাওনা উবীবা ঙম্বা, ঈং-তপ্পা, থবক তৌবদা মমুৎ তানা খন্থবীবা, থবক খুদিং অচুম্বা পাম্বা, থৌনানা য়োমদুনা তৌগে খনবা খুদিং অকিবা লৈতবা, অচুম্বা অমদি মীয়ামগী ফবনা সী এম ফমদগী হেল্লি খনবীবা, নুপা থোকপা, মমাং-মতুং থোক্লরোইদবা, মী মরক্তগী অথোইবা মহাক্কী থৌশিল থৌরাং ঐখোয়না লায়না লৌবা য়ারোই। চাওখৎপগী মঙাল খরা ৱাৎপা মফম চীংগী মনুং চঙশিনবা মফমশিং চৎপীদুনা অমদি শোত্থরবা খুঙ্গংগী মফমগা সহরগা শম্নবা থোং শাবীগে খনবীবা, খুঙ্গং চাওখৎতনা মণিপুর চাওখৎলে হায়বা য়ারোই হায়দুনা তোয়না লাউবীবা, থোইদোক্না থবক ফংদ্রিবা নহা কয়াগী থবক পীনবা থৌরাং, লায়রবা কয়াগী হিংনবা লোনগী শেনফম পীবীবা, তোল্ল-তারবা, দিসএবল ওইরবশিংগী য়েংবীবা, লুখ্রাবী কয়াগী খনবীবা, লায়েংশেন লৈজদবা কয়াগী অনা লায়েংদা অচৌবা মতেংগী কয়াৎ য়াৎপীবা কয়া অসিনা ইকায়খুম্নজরিবা সী এমবু মণিপুরগী মীয়াম্না নোংমা নোংমগী শোন্নবা হেনগৎনরক্লি। মহাক্কী মমিং কংলৈপাক্কী পুৱারীদা সনাগী ময়েক্না ইদুনা লৈহৌরগনি। মসিগী মরক অসিদা ককচীং এ সী, ৱাবগাই এ সী, হিয়াংলম এ সী অমদি শুগুনু এ সী মরি অসিগী জিলা হেদ ক্বার্টর লাউথোকপদা খুঙ্গংগী অমদি মীয়ামগী য়েংবীদুনা এসেমব্লি ফ্লোর (কুমজা ২০১৭কী জুলাই ২৮) দা রেভেন্যু মিনিষ্টরনা, "However the govt. will soon find out the proper place for establishing the district headquarters of the two district as per the convenience of the general public" ময়েক শেংনা হায়বীখ্রবনি। কুমজা ২০১৭কী জুলাই ২৭কী রেভেন্যু লোইশঙগী দেপ্যুটি সেক্রেটরিনা য়াথং অমা থোক্তুনা দি সীগী খূৎথাংদা হিয়াংলমগী এ সী মনুং ষ্টেটকী লম ওইবা এরিয়া অমা মফম য়াম্না চাই হায়না পোইন্ট মঙা য়াওবা রিপোর্ট অমা লৈঙাক্তা পীখৎখিবা লৈখ্রে। অমুক্কা মীয়াম চৎতুনা রেভেন্যু মিনিষ্টর মশাসু উনখ্রবনি। মদুদসু পোজিটিভ ওইবা ৱাফম থম্বীখ্রবনি। ইকায়খুম্নজরিবা সী এমদসু তাং ১৫/১২/২০১৭ অমদি ১৫/৭/২০১৭তা মথংশিংনা হন্না হন্না মেমোরেন্দম কয়া পীশিনজখ্রে। অমুক্কা হিয়াংলম অমদি শুগুনু এ সীগী মীয়ামগী মীহুৎ অনীগা জিলা হেদ ক্বার্টর দিমান্দ কম্মিটিগী মীওই ২১না পূন্না উনবগী তাঞ্জা অমা সী এমনা পীবীদুনা পুং অমা হেন্না ৱারী ৱাতই কয়া শাবীখ্রবনি অমসুং কম্মিটিবু পূক্নিং থৌগৎপীখ্রবনি। মসিদা মীয়ামগী ইহুল খঙবীবা, শোত্থনা লৈরবা মীয়ামগী য়েংবীবা, চাওখৎপগী মঙালদগী তাম্না লৈরবা খুঙ্গং কয়া অৱাবা ঈপাক্তা ঈরাক্লরি হায়বসি খঙবীদুনা মখোয়বু অমুক্তং কনবা চুম্মী হায়বা ৱাখল অসিদা জিলাগী হেদ ক্বার্টর অসি মীয়ামগী অপাম্বা শোয়দনা থম্বীগনি হায়বগী অচেৎপা থাজবা থমজরি। অরোইবদা ঙসিগী সী এম অমদি মহাক্কী কলিগপু মপূ মানা থৌজাল ইরিক খিকপীদুনা তৌরু তৌরুবা থবক খুদিং অপনবা অয়েৎপা লৈতবা ওইসনু হায়না মপূগী মফমদা য়াইফ থৌজালগা নীজবগা লোয়ননা চীফ মিনিষ্টরবু থাগৎপা ফোঙদোকচরি।

*অদোমগী - এম থম্বৌ, ককচীং খুনৌ*

### হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৬৫

১। মখাদা পীরিবা ৱাহৈ অনীসি মীতৈ থাচৎকী অরিবা মমিংশিংনি। হৌজিক্কী মমিংদা ওন্থোকউ : (ক) থবি (খ) চিনবী

২। ''চরুগী মী/মশাসু চরুনা শাবা/মকোকসু চরু ঙাক্তা ঙায়বা'' পরেংশিংসি 'চরুগী মী' কৌবা শৈরেং অমদগী লৌথোকপনি। কবিদুগী মমিং হায়য়ু।

৩। ''তারিবরা হিংচাবী/নঙগী রাজকুমারদো ডাক্তর নুপী অমগা লুহোংখিদৌরে।'' পরেংশিং অসিনা মোইরাংথেম রাজেন্না ইবা ৱারীমচা অমদগী লৌথোকপনি। ৱারীমচা অদুগী মমিং হায়য়ু।

৪। ''অফাবা মশমদু তনখোম খোমগৎতুনা চেৎনা পুনশিনখি। মিৎনা কূপ্পদা...থাঙদু লৌরগা...মপূরোইবগী মথবাক্তা থূম্না থিংজিনখি।'' পরেং অনীসিনা 'পনখৈদুগী ৱাংমদা' কৌবা ৱারীমচা অমদগী লৌথোকপনি। অইবীদুগী মমিং হায়য়ু।

৫। তেলেগু কবি এন গোপিগী শৈরেং লাইরিকপু মণিপুরীদা 'মতম্বু ঐনা তূমহল্লোই'' হায়না হন্দোকখ্রে। হন্দোক্লোইদু কনানো?

**মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম ফেব্রুৱারী ১৫, শগোলশেন নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল hueiyenliteraryquiz@gmail.com সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।**

### মরোল থোকপা লাই

